# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-09-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর বিধান সভা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ৱাহং পাউহং অমদি দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ২০২৬-২৭ কী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

২) ভারত অমসুং বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

অমসুং

৩) নেপালগী ঈশিং ঈচাউদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,২৫০ শুখ্রে। ভারতনা হৌজিক ফাওবদা টন ৭৪ গী তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে।

-----

এসেমব্লি (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভা মীফমগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা ৱাহং পাউহং অমদি দিমান্দ ফোর সপ্লিমেন্টরি গ্রান্ট ২০২৬-২৭ কী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

বিধান সভা মীফমগী ঙরাং অহৌবা নুমিৎতা মীকোক থীবগী থবক চথুদ্রিঙৈদা নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি) অপদেট তৌবা হায়না ৱারেপ লৌখি। মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবরতানা সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- মীফম অসিনা ইং কুমজা ২০২২ গী ওগষ্ট ৫ অমসুং ইং কুমজা ২০২৪ গী মার্চ ১ দা পাস তৌখিবা রিজোলুসন অদু অমুক হন্না ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা রাজ্য

অসিগী মীয়ামগী অনিংবা অপান্বগী মতুংইন্না ভারত সরকারদা মীকোক থীবগী থবক চথুদ্রিঙৈদা এন.আর.সি তৌবীনবা তকশিনবা হায়না ব্লারেপ লৌখি।

ইসি (এল)ঃ ইলেক্তোরেল রোল ২০২৬ কা মরী লৈননা হৌজিক চথুরিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)গী মতাংদা ইলেক্তোরেল রোল ওবজার্ভরশিংনা বিষ্ণুপুর জিলাদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনিরক শুবনি। ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল থা অসিগী ৬ তা ফোংগনি। মীয়ামা সি.ই.ও মণিপুরগী ৱেব সাইট নত্রগা মরী লৈনবা ই.আর.ও ওফিসশিংদগী খঙবা য়াগনি।

রিমস (এল)ঃ রিমস ইম্ফালগী কলেজ ওফ নর্সিংনা শিন্দুনা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী মতাংদা তাকপী তন্বীবা হায়বসিদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। সেমিনার অদু এম.এ.সি নর্স মহৈরোইশিংগী একাদমিক কুরিকুলমগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি। সেমিনার অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি- নর্স তম্বদা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সনা লৌরক্লিবা থৌদাংশিংগী মরুওইবা অদু খঙহন্নবনি। সেমিনার অদু কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল প্রোফেসার এ. দেবজানিনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা আর্তিফিসিয়েল ইন নর্সিং, আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স ইন টিচিং এন্দ লার্নিং হায়বসিদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

আর্ট (এল)ঃ কুমজা ২০২৬-২৭ কী ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংকী তেংবাংগী খুদোংচাবা ফংনিংবশিংনা ঙসিদগী হৌরগা এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌরবা য়াগনি হায়রি।

রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম থা অসিগী ২৯ নি।

চীফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংকী তেংবাং স্কিমগী মখাদা স্কিমস ফোর আর্টিষ্ট পেন্সন, স্কিম ফোর এসিষ্টেন্স ফোর পার্তিসিপেসন ইন ইন্তরনেসনেল এন্দ নেসনেল ফেষ্টিভেল, স্কিম ফোর এসিষ্টেন্স টু কলচরেল গ্রুপ ফোর ত্রেনিং ৱিথ নিউ প্রদক্সন, খুৎশু খুৎলায়শিং লৈনবা স্কিম অমদি শকাইরবা আর্টিষ্টশিংদা পীবা স্কিমশিং অসিগীদমক থানিংবা আর্টিষ্টশিংনা বিভাগ অসিগী ৱেব সাইট- আর্ট এন কলচর মণিপুর দোত এম.এন. দোত গোভ দোত ইন-দগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি।

ঈশিং (এল)ঃ   ইম্ফাল ইষ্টকী বামোনকম্পু-কোংবা মীয়ামা তোতি ঈশিং লৌশিনবগী খুদোংচাবা লৈরগনি হায়রি। ৱাটর সপ্লাই মেন্তিনেন্স দিভিজন-টু পি.ঐচ.ই.দি মণিপুরগী একজিক্যুতিভ ইঞ্জিনিয়ারগী চেরোল অমনা হায়-মফম অসিদা নৌনা ঈশিংগী পাইপ থল্লিবা অসিদগী কন্নেক্সনশিং লৌবা য়ারগনি। কঞ্জুমরশিংনা মরী লৈনবা চে চাংশিং পোরোমপাৎতা লৈবা ওফিসতা পুরক্লগা লৌবা য়াগনি হায়রি।

মেট (এল)ঃ   ইন্দিয়া মেট বিভাগনা মধ্য প্রদেশকী মফম কয়াদা ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। সিক্কিম য়াওনা সব-হিমালায়ান ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদসু ঙসি নোং কন্না চুগনি হায়রি।

মরক অসিদা, বিহারদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লুশিল্লক্লি। গঙ্গা, গন্দক অমসুং কোশি তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলক্লি। গঙ্গা তুরেলদগী পাথরকপা ঈশিংনা রাজ্য অদুগী জিলা কয়ামরুমগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। উপ-মুখ্য মন্ত্রি অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি বিজয় কুমার চৌধুরিনা হায়- ঈশিং ঈচাউগী ফিভম লাকশিল্লবসু জিলা খরদদি খুদোংথিনিঙাই ওইরি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না মণিপুর মফম কয়াদসু ঙসি পারপ্তুগী ময়াই ওইরপ চাংদা নোং

চুরবা য়াই। জিরিবাম অমসুং ফেরজোল জিলাদা ঙসি অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

মোদি ঃ বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রি বাট দে ৱেভর নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎতা ঙরাং নিউ দিল্লিদা থুংলরে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নিউ দিল্লিদা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রিগা লোয়ননা ঙাকশেল মন্ত্রিসু লোয়নরকখি। বেলজিয়মগী প্রধান মন্ত্রি ওইনা মমাং চহিগী ফেব্রুৱারিদা থবক পায়বা হৌবদগী ভারত্তা লাকপা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। প্রধান মন্ত্রি বাট ডে ৱেভরনা ইন্দিয়া-য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন ফ্রি ট্রেদ এগ্রিমেন্টকী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রি বিজিনেসকী মীফমদা ৱা ঙাংগনি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- খোঙচৎ অসিনা লল্লোন ঈতিক, শেল থাদবা, ঙাকশেল অমসুং রিন্যুএবল ইনর্জিগী লমদা হেন্না মতেং পীননবগী খুদোংচাবা অদু পীরগনি। ভারত অমসুং বেলজিয়মগা লৈনরিবা মরী অসি চহি ৩০০ হেল্লক্লে। ভারত্তা ইহান হান্না দিপেমেতিক্কী ওইবা মরী থম্বা অসি বেলজিয়মনা অহানবনি।

নেপাল ঃ নেপালগী ঈশিং ঈচাউদা শিখিবা মীগী মশিং লিশিং ১,২৫০ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই লিশিং ৪ হেন্না থিবা খঙদনা লৈরি।

হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেতিভতা ৱা ঙাংবদা নেপালগী প্রধান মন্ত্রি বলেন্দ্র সাহনা ঈশিং ঈচাউ থোকখ্রবা মতুংদা ভারতনা ইহান হান্না লৈবাক অদুদা খুদক্কী ওইবা তেংবাং পীরকপবু থাগৎপা ফোংদোকখি। ভারত অমসুং চাইনানা টেকিকেলগী মতেং, এক্সপার্ট টিম অমদি তেংবাংগী পোৎলমশিং পীরকখি। মহাকা হায়- ভারত অমসুং চাইনা য়াওনা আমেরিকা, জপান, এসিয়ান দিভলপমেন্ট বেঙ্ক, ৱার্ল্ড বেঙ্ক, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইতেদ নেসন্স য়াওনা লৈবাক কয়ানা তেংবাং পীরক্লি। হৌজিক ফাওবদা

প্রাইম মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা নেপালগী শেল ওইনা বিল্লিয়ন ৭ মতেং পীরকখ্রে।

ভারতনা ঙরাং মঙারক শুবা ওইনা তেংবাংগী পোৎলম পুবা ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সকী এরোপ্লেন কাঠমন্দু য়ৌখ্রে। টন মঙা মখায় লুম্বা পোৎলমশিং অদু অয়াম্বনা হিদাক লাংথক ঙাক্তনি। মসিগী মথক্তা মী কনবদা শিজিন্নগদবা খুৎলায় টন ৬ অমসুং অখন্নবা মীওই ১১ না শাবা টিম অমসু য়াওরি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউ মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা ভারতনা টন ৭৪ গী তেংবাং পীখ্রে। লৈবাক অদুদা মী কনবগী থবক হৌজিকসু চথরি। ঙরাং ভারত মচা অহুম কনখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ভারত মচা ১৬৬ কনবা ঙমলে। তিবেৎ ওতোনোমস লমদমদা লাই খুরুম্বা চৎখিবা ভারত মচা ৪১০ ঙরাং ভারত্তা হল্লকখ্রে।

ক্রিকেট ঃ  টি-ত্বেন্তি এসিয়া কপ ক্রিকেটকী মেটচ অমদা ঙসি দুবাইগী ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা ভারতকী নুপী ক্রিকেট টিমগা হোং কোংগা শান্নগনি। গ্রুপ-এগী মেটচ অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৮ দা শান্নগনি। নোংমাইজিং নুমিৎতা দুবাইদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভারতনা থাইলেন্দবু রন ৯৪ দা থোইখি। ঙসি হোং কোংগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসি থোইরবদি ভারত সেমি ফাইনেল চংবা ঙম্লগনি। লৈবাক ৮ গী এসিয়া কপ অসিদা ঙরাং শ্রীলঙ্কানা ইন্দোনেসিয়বু রন ৭৫ দা থোইখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মণিপুর বিধান সভাগী মীফম হৌখিবা, সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন.আর.সি অপদেট তৌনবা লেপখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

বেজ ইয়ার য়াওদনা এন.আর.সি অপদেট তৌনবা সেন্তরদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এসেমব্লি: সেন্সস তৌদ্রিঙৈ এন.আর.সি অপদেট তৌহন্নবা লেপখ্রে হায়না পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চহি অহুমগী তুংদা কুকি এম.এল.এ অনি শরুক য়ারকপদগী মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী মীফমসু মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনবা হৌরে, সেন্সস পাঙথোক্ত্রিঙৈ এন.আর.সি অপদেট তৌনবা তকশিনবগী ৱারেপ লৌখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এসেমব্লি মীফম হৌখিবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকল, শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসন, মণিপুর মেল অমসুং সনালৈবাক পাউচেদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ম্যান্মারগা লম ওন্থোক ওনশিনগী পাউ অমত্তা মিনিষ্ট্রিনা পীরক্তে হায়বা মন্ত্রি গোবিনদাসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পিপুরাম মকুইদা নেপালিগী য়াওনা যুম ২৫ মৈ থারল্লে হায়বা পাউ অমা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মতমগী মতুংইন্না এন.আর.সিগীসু থবক লৌখৎলক্কনি হায়বা সম্বিৎ পত্রগী ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাড অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা দাইবেতিক ফুড ইভালুএসন লেব হাংদোকখিবগী পাউ গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

-----